# সনালৈবাক
SANALEIBAK

PROGRESSIVE JOURNALISM

www.sanaleibak.in

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে





গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা ২শুবা এসিয়ান–ইন্দিয়া য়ুঠ সম্মিট ২০১৯গী ‘কন্নেক্টিভিটি ইস দি পাথৱে টু সেয়র্দ প্রোস্পেরিটি’ হায়বসিদা পাঙথোকখিবা পেনেল দিস্কসনদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ৱা ঙাংবা



সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল,২০১৯ রাজ্য সভাদা পুথোরকপদা লৈঙাক্কী মায়োক্তা ভোট পীবিনবা নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনগী থৌমীশিংনা ন্যু দিল্লিদা বিজু জনটা দলগী লুচিংবা মহটফ উন্নবগী শক্তম



মোইরাংদা লৈবা শান্তি বান্দপতা মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্টকী মিংয়েং মখাদা সোসিয়েল ৱার্কর থোঙাম শান্তিগী টিমনা প্রধান মন্ত্রি উজ্জ্বলাগী মখাদা লাইরবা নুপীশিংদা লেন্না চাকথোং গ্যাস য়েছোকপগী শক্তম অমা


Volume No: 43 Issue: 68 | IMPHAL MONDAY 4 FEBRUARY, 2019 | নিংথৌকাবা, ৱাকচিংগী থাশি | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60


## ৱাখলগী চিঙ্গাক

পূন্সিসে তন্বা ঙমল্লবদি পূন্সিসি মহাও য়াওরগ্লোই

## GOLD PRICE 10G/24K

DELHI : RUPEES 34,430.00 /-
KOLKATA: RUPEES 34,350.00 /-
BENGALURU: RUPEES 34,460.00 /-

## অঙৈং–অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৫.১° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ৪.৫° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০০
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং– ৫.৫৩
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং–৫.০১

## পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৬৬.৮৮
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬১.৭৩









গ্যাসকী পাউ লাঃ ৬ তা

# শ্যাম শর্ম্মগী পদ্মশ্রী এৱার্দ হন্দোকখ্রে

## ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অপীকপা ফুরুপশিংগী ৱাকৎ তাবীদ্রেঃ শ্যাম শর্ম্মা

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারি ৩(এস এন এস)ঃ

য়েলহৌমীশিংগী খোঙ্গুল মুৎখিবা য়াবা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ২০১৯গী চৎনহনবীগনু হায়বা মীয়ামগী ৱাকৎ ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা তারক্তুবদগী সেনিয়র সিটিজনসু ওইরবা লৈবাক অসিগী মশক্লাইরবা ফিল্ম মেকর অরিবম শ্যাম শর্ম্মা ৱারৌরে, মহাকপু ইকাইখুম্নবা উৎপা ওইনা পীরকখিবা পদ্মশ্রী এৱার্ড হন্দোক্লগনি লাউথোকখ্রে।

থাংমৈবন্দ লৌরূং পুরেল লৈকাইদা লৈবা শক্লাইরবা ফিল্ম মেকর অসিনা মহাক্কী ফিরেপ অদু লাউথোক্লদুনা পাউমীশিংদা হায়খি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মশীং য়ামজদ্রবা লৈবাক অসিগী নোর্থ ইষ্টকী মীয়ামগী ৱাকৎ তাবীদ্রে। লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক, মপুং ওইনা মণিপুরগী মীয়াম্না চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিবু শৌগৎপা ওইনা পদ্মশ্রী এৱার্দ হন্দোক্লবা ৱারেপ লৌরকপনি।

মহাক্না হায়, অৱাং নোংপোক ষ্টেটকী মীয়াম্না বিল অসিগী মায়োক্তা লৈ, লোয়ননা মণিপুরগী মীয়াম চাদ ৯০ হেনবনা বিল অসিগী মায়োক্তা লৈরিবা অসিবু শৌগৎপা ওইনা মহাক্না ফিরেপ অসি লৌবনি।

মণিপুরগী ওইনা মী লাক্ষ ২৭–২৮ খক্তমক লৈজবা মীশিং য়াম্না য়ামখিদ্রবা য়ু পিগী দিষ্ট্রিক্ট অমগী মীশিং ফাওবা য়ৌদবা ষ্টেট অসিগী য়েলহৌমীশিংগী মায়োক্তা বিল অসিনা লৈ। মীয়াম্না পীকপা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী তুংলমচৎ করিনো হায়বসি য়েংবা চংই। ঐখোয়গী খোঙ্গুল মুৎখিবা য়াবগী য়াম্না লায়বা খুদম অমা হায়বা তাবরদি ত্রিপুরানা ওইরি।

হৌজিক অসি য়াম্না লুরবা তাঞ্জা অমনি। অহল ওইরবা চহী ৮৪ শুরক্লবা মতম অসিদা থেঙখাঙ কয়ারক্তা নুংঙাইতবা থৌদোক কয়া থোকখ্রে। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মদুগী মতুংদা ইং ১৯৪৭কী ইন্দিয়া নীং তম্বা কয়া থেংনরকখ্রে। অদুবু হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী থম্মোয় শোকই।



ঐখোয়গী তুংলমচৎ লৈত্রবদি ঐখোয়গী কলচর লৈরক্তে, ঐখোয় অসি ইয়ান চংখিবা মতমদা ঐখোয়গী কলচর হায়বা অমা লৈরক্লোই, ঐখোয়গী শক্তম মাঙখিগনি।

মদুগী নুংঙাইতবা শক্তম অদু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইরিবা ইন্দিয়াদা অৱাং নোংপোক্কী অপীকপা ষ্টেটশিংগী মীয়াম্না লাওজরিবা অসি তাবিদনা লৈরি।

দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমগী সিতিজেন ওইনা অপীকপা ফুরুপশিংগী ৱা ঙাওনবগী মফম পীবিফম থোকই হায়খি। ঙরাং ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বেঙ্গলদা মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা বিল অসি শোয়দনা পাস তৌগনি মসিদা মতেং পাঙবীয়ু হায়না ফোঙদোকপা থেংনরি।

মসিদা নত্তনা ইন্দিয়াগী প্রেসিদেন্ট ফাওবনা বিল অসি শোয়দনা পাস তৌগনি হায়না লাওথোকপীবা অসিনা বিল অসি শোয়দনা চৎনহনগনি হায়বগী থাজবা লৈ। অদুবু মীয়াম হুপ্পা বিল অসিগী মায়োক্তা লেপ্লবদি পীকচরবসু ঐখোয়না শোয়দনা ঙমগনি হায়না লৌই।

বিল অসি ঐখোয় য়ানিংদে হায়বসি ঐখোয়না পুন্না লেপমিন্নদুনা চংশিনমিন্নবা তাই। ইশু অসি পোলিতিকেল ইশু অমা নত্তে। মসিদি মীওইবগী হিংবগী ইশুনি হায়না লৌই। মণিপুরীশিংনা মখা লমায় ৩দা...

# থোং শাবা লোইশিন্দবদা ম্যান্মারনা ইন্দিয়াদা ৱারৌরে

**চীফ মিনিষ্টরগী খূখাংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা খঙহনগনি হায়না ৱাই খেমচান্দনা থাজবা পীখ্রে।**

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারি ৩ (এস এন এস)ঃ

ইন্দিয়াগী মায়কৈন্দগী ম্যানমার মনুংদা থোং ৬৯ শানবা থবক হৌরম্লবা মতুংদা হন্দক্তা থবক অদু ককথৎখিবদা ম্যান্মারগী সাগাইং রিজনগী চীফ মিনিষ্টর শাথিনা ৱারৌরে।

হৌজিক–হৌজিক মণিপুরগী নুপীগী ফুটবোল টিম অমসুং ম্যানমারগী নুপী ফুটবোল টিমগী মরক্তা শান্নবা মরুপ মপাঙ ওইবগী ফুটবোল মেটচশিংগী অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ানবা ম্যানমারদা লৈরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দবু ঙরাং নুমিদাং সগাইং লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরনা চাক্লেন অমা শিন্দুনা ওকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি পুথোক্লুরকখিবনি হায়রি।

উন্নবা অদুদা ইম্ফাল মন্দলে বস সর্ভিস থুজিনহন্নবগী মতাংদা ৱাফমশিং পুথোরকপদা স্পিকর ৱাই খেমচান্দগী মায়কৈদগী ইম্ফাল মন্দলে বস সর্ভিস অসি ইন্দিয়াগী ওইনদি শেম শাদুনা লৈরবনি। অদুম ওইনমক ম্যানমারগী মায়কৈন্দগী ক্লিয়ারেন্স পীরক্তবদগী মতম থেংথবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ৱাফম অদু তারবা মতুংদা চাক্লেন অদু শরুক য়ারিবা ম্যানমারগী সগাইং রিজনগী চীফ মিনিষ্টর ডা. ম্যিন্ট নাইংনা ইন্দিয়াগী মায়কৈন্দগী ম্যানমার মনুংদা থোং ৬৯ শানবা থবক লৌখৎলম্না অদু ককথৎখিবগী মতাংদা ফোঙদোকখি।

মণিপুরগী মণিপুর ট্রাইবেল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন অমসুং মুম্বাইগী ফার্ম অমনা পায়রম্বা থবকশিং অদু টর্মিনেট তৌখিবা অদুগী মতাংদা সগাইংগী চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফমশিং ফোঙদোরকখি হায়রি।

থোং শেম্বগী থবক অদু চহি ৪–৫ অসি কন্ট্রেক্টরশিংনা সবকন্ট্রেক্ট মচা মচা পীথরগা থবক শুংশু শুদনা লৈরমখি। থবক তৌরোইদৌবা ফার্মশিংদা শিন্নবগী মহুত্তা থবক শুগদবা ওইগদৌবা ফার্মশিংদা ওইনা থবক শিন্নহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি।

সগাইংগী চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈন্দগী চাইনাগী কুনমিংদগী মন্দলে ফাওবগী চাইনানা শেমগৎলক্লিবা ফাষ্ট রেলৱে লাইন অদু হৌজিক য়াম্না খুমাং চাউশিন্না চংশিনবগা লোয়ননা মসি ইং ২০২০ ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা পান্দমদা চংশিনলক্লি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈন্দগী থোং ৬৯ শেম্বগী থবক অসিনা চহি ৪–৫ হেনলবা ফাওবা থবক হৌদবা অমসুং থবক শুরোইদৌবা থোং করিনো মশক খঙদবা কম্পনিশিংদা থবক শিন্নবা অসিনা থবক থিন্থহন্দুনা লৈরি। মরম অসিনা থবক তৌবা ঙমগদবা ফার্মশিংদা থবক শিন্নবীনবা স্পিকর ৱাই খেমচান্দগী মখা লমায় ৩দা...

# বন্দ লাওথোকপা লৈতে : মেনপেক

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৩ঃ মণিপুর পিপলস এগেনষ্ট সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ (মেনপেক)না টোটেল সটদাউন, জেনরেল ষ্ট্রাইক নৎত্রগা বন্দনচিংবগী খোঙজং লাওথোকখিবা লৈতে হায়না মেনপেক্কী চেরোল অমনা শেংদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, হৌখিবা নোংম নীনিঅসিদা মেনপেকক্কা মরী লৈনদবা লূপ খরানা ময়েক শেংদবা ৱাফম খরা মেদিয়াদা ফোংদোকখিবনা মরম ওইরগা বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইকনচিংবা অসি মফম মরাং খঙদনা চরাংনবা চম্মনবা কয়া মীয়ামদা পোকহল্লে। মসিনা মেনপেকনা চঙশিনগনি হায়না লাওথোকখিবা খোঙজংশিংগী শরুক ওইরবোই নিংদুনা মীয়াম্না মেনপেকতা বন্দ লৈবরা হায়না হংনরক্লি। মসিদা মেনপেক্না শেংদোকচরি মদুদি মেনপেক্না বন্দ, তোতেল সটদাউন নৎত্রগা জেনরেল ষ্ট্রাইক্কচিংবা খোঙজং লাওথোকখিবা লৈতে। মীয়াম্না চম্মনবা অসি লৈবিদনবা অপিল তৌরক্লি।

সি এ বিগী মায়োক্তা লৈপাক কন্ননবনি হায়দুনা থৱাই য়াওনা চোং থোকচপিরক্লিবা লনাই লূপশিং অদু য়ারগদি অপুনবা লৈপাক্কী লান অসিদা মচোই মচোই তানদুনা তৌনিং তৌনিংবা পংতৌদা তৌবগী মতম নত্রে। মরম অসিনা মেনপেকক্কী অপুনবা ৱারেপতা য়াওশিনবিদুনা খোঙজং অসিদা ওইনা শরুক য়াশিনবিয়ু অমদি মণিপুর মীয়াম্নসু মেনপেক নত্তবা অতোপ্পা লূপ খরানা হায়দোক্লগা খোঙজং হেক্তা চংশিল্লকপা য়াওরবদি মদু মীয়ানা পাওতাক পিবিদুনা মেনপেকতা মখা লমায় ৩দা...

লমায় ১গী মখা

# ইনভেষ্টরশিংনা শেল থাদবীনবা সিএমনা এসিয়ান–ইন্দিয়া য়ুঠ সম্মিটতা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারি ৩(এস এন এস)ঃ

মণিপুর চাউখৎ লম্বীদা খোঙজেল য়াংলক্লে অমসুং লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম য়াম্না ফগৎলে হায়রদুনা ইনভেষ্টরশিংনা মণিপুরদা শেন থাদানবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ২শুবা এসিয়ান–ইন্দিয়া য়ুঠ সম্মিট ২০১৯দা ইনভেষ্টরশিংগী পূন্নিং চিংশিনখ্রে।

গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা সম্মিট অদুগী মনুং চন্না ‘কন্নেক্টিভিটি ইস দি পাথৱে টু সেয়র প্রোস্পেরিটি’ হায়বসিদা পাঙথোকখিবা পেনেল দিস্কসসন অদুদা চীফ মিনিষ্ট এন বিরেননা হায়, লুক ইষ্ট পোলিসি শেমখ্রবা মতুংদা পোলিটিকেল–সেক্যুরিটি, ইকোনোমিক অমসুং সোসিও–কলচরেলগী লমদ ফগৎহনবা ঙম্লে।

ইন্দিয়াগী লুক ইষ্ট পোলিসি অসি এক্ট এষ্ট পোলিসি হায়না মমিং ওন্থোক্নুনা থবক তৌরকপদগী ইন্দিয়া অমসুং এসিয়ান লৈবাক্কী মরক্তা লৈনরিবা মরী ফগৎহল্লে। অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগা এসিয়ান রিজনগগী মরক্তা নাৎ চৎনবগী ওইবা য়াম্না নক্লবা মরী লৈ। অৱাং নোংপোক রিজন অসি ইন্দিয়াগী চাউখৎপগী অনৌবা ইঞ্জিন ওইনা লৌনরক্লি।

এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী মরুওইবদু মাঙদা থমদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পোলিসি অসি হেন্না মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোকপদা মতেং ওইনবা ষ্টেট লেভেল কম্মিটি শেম্লে। ইন্দিয়া–ম্যান্মা–থাইলেন্দ ট্রাইলেটরেল হায়ৱে অমসুং কালাদান মল্টি–মোদাল ট্রান্সপোর্ট প্রোজেক্টশিং অসিনা অৱাং পোংপোক রিজন অসিদা অওনবা পুরক্লগনি। ইম্ফাল–জিরিবাম–টুপুল রেলৱে লাইন অসি মোরে ফাওবা য়ৌশিন্নবা রেল ইন্দিয়া টেক্নিকেল এন্দ ইকোনোমিক সর্ভিস (আর আই টি ই এস)না ফিসিবিলিটি সর্ভে পাঙথোকপা লোইখ্রে। ইন্দিয়াগী বোর্দ তাউন মোরেদা ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট মখা লমায় ৩দা...

# জেনিমসকী দোক্টরশিং থবক লেপ্পা য়ারোইঃ লৈঙাক

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারি ৩ (এস এন এস)ঃ

জৱাহরলাল নেহরূ ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) কী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসারশিং, সেনিয়ার রেসিদেন্ট অমসুং এসোসিয়েট প্রোফেসার কম্মিটিনা দিমান্দ কয়ামরুম তাল্লদুনা হয়েংদগী হোস্পিটাল অসিগী আউট পেসেন্ট সার্ভিস অমসুং ইন পেসেন্ট সার্ভিস থিংজিনবগী চঙশিনগনি হায়খিবদু য়ারোই হায়না লৈঙাক্লা খঙহল্লক্লি।

টোটেল সটদাউনগী খোঙজং অসি মণিপুর ইসেন্সিয়েল সর্ভিসেস মেন্টেনেন্স এক্ট, ১৯৮৪গী সেক্সনা ৩(১) অমসুং সেক্সন ৩(৪) মতুংইন্না ইসেন্সিয়েল সর্ভিসতা থবক তৌরিবা এমপ্লোইয়িশিংনা চৎখবা য়ারোই হায়না স্পিসিয়েল সেক্রেটরী হোমনা থোকখিবা চরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

মণিপুর লৈঙাক্কী স্পিসিয়েল সেক্রেটরী (হোম)না ঙরা থোকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ইন্সিসিয়েল সার্ভিসতা মথৌ তৌরিবশিংনা লৈঙাক্কী য়াথং অসি ইনগদনি। য়াথং অসি করিগুম্বা ইন্দবা থোক্লগদি মখোয়গী মথক্তা লোগী ওইবা থবক লৌখৎকনি। হায়রিবা লৈঙাক্কী য়াথং অসি থোকখিবা নুমিৎ ফেব্রুৱারি ২ দগী থা তরুক ফাওবা চৎনগনি হায়রি।

অমরোমদা, টিচর এসোসিয়েসন জেনিমস, এ পি এস এ আর এ কম্মিটি অমসুং জেনিমসকী নর্সশিংনা মখোয়গী দিমান্দস খরা মখা লমায় ৩দা...

## লোইরেদনা




## হেক্তা হায়জিনবা

পাউ

তা মোদিজি শাওখ্রে
নখোয়না লাংবা তাবদা
নখোয়না চোংবা উবদা
মানা হায়বা তাদবদা
লোয়না হোনখিদৌরে মরমদমদা
থমখিদৌরে গুজরাঠতা
বাংলাদেশকী হিন্দুসু
পাকিষ্টানগী পার্সিসু
অফগানিষ্টানগী ইসাইসু
গাড়ী রেদি তৌখ্রে
ট্রেন থৌরাং তৌখ্রে
তা মোদিজি শাওখ্রে
তৌদবু লুরিদি
খঙদ্রি পাউসি কয়াম চুম্বনো
কৈথেলদা ঙাঙনবদে তাবনি
ৱাকৎ মীফমদা ঙাঙনবনি
তা মোদি চাওবৈ ৱাসি
তা মোদি শাওবৈ পাউসি





SL/H/Bill

